## কেস ১৫ থেংনখ্রে, লৈখিদবা মশীং...

*লামায় ১গী মখা...* শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। মখোয় অনী থারগা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মীশিং ৩৬৯ শুখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৮,৯৫৩ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৫৩৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪১৯নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৩৮৭ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,৯৮০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪০৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.০৪ য়ৌরে। অদুগা কেস ১৯৭না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৮৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৮ য়াওরি। লোয়ননা মীওই ৩৬সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.873018 |
| US Dollar | 72.978071 |
| British Pound | 99.729234 |
| Australian Dollar | 56.355660 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.259011 |
| Japanese Yen | 0.703246 |
| Malaysian Ringgit | 18.050466 |
| Singapore Dollar | 54.979552 |
| South Korean Won | 0.065989 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.460819 |
| Thai Baht | 2.431871 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 49030.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48780.00 |
| Delhi | – | Rs | 2218.58 |


## GAS NEWS

**M/S ASHANGBI INDANE SUGNU**
**B/upto-10-12-020**
V/from-1-12-020
**Stk-306**
only home delevery
call to 7629966437
From - 8 am to 2pm

**IMPHAL LPG SERVICE HOME DELIVERY**
**BOOKING : 18/01/21**
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers- 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 05-01-21
**B/upto - 06-01-21**
**Stock : 306**
7am to 10am

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-- 20-12-2020**
VALID FROM : 10-12-2020
**STOCK : 1530**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
**BK. UPTO 22-12-2020**
valid from 11-12-2020
Home delivery only
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont.
# 9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery

**RBD INDANE SERVICE**
**Booking upto:-27/12/2020**
Valid from :- 05/12/2020
**Stock :- 360**
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry ( Delivery within 4 days)

**GBD INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO :-25/12/2020**
Valid from :- 02/12/2020
**Stock :- 386**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday )
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-20/01/2021
Valid from-15/12/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

**JRongmei SK Indane Wangoi**
**Bking upto : 9/12/20**
Valid from : 3/12/20.
**Stk : 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery
(Contact no.6909963855, 8119073029, 8974426830)

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to12:00 NOON
**BOOKING : 15.12.20**
VALID : 07.12.20
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7627968997
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,8787630773,9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS


# লন্নাই মীওই ১গী লমদেং খুনৌদা লৈবা লৌফম অনী ষ্টেটস ক্বোদা থম্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ভিলেজ নম্বর-১০৫- লমদেং খুনৌদা লৈবা অঙনফৌ ক্লাসকী লৌফম অনীবু এলোটমেন্ট ওর্দর য়াওদে হায়দুনা মসিগী মপুগী মিং লৌফম অনীসিগী পাট্টাদগী ককথৎলুবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা লৌফম অনী অসি ষ্টেটস ক্বোদা থম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরদুনা ৱাকৎলক্লিবী লৌফম অনীসিগী মপুগী মিংনা থোকচোম শিল্লেমা চনু (৬২), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা থিয়াম ইনাওচা কৌই। সগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈকায়দগীনি। মহাক্কী পিটিসন অসি লমদেং খুনৌ অসিমক্তদা লৈবা ইমা ইবেম্মা লাইখুলেম্বী খুভম শেমগৎপা লূপ, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অসিনা ফাইল তৌরক্লিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অসিগী নম্বর- ৫৫১ ওফ ২০২০নি। পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা লৌফম অনীসিগী মতাংদা সব-দিভিজনল ওফিসর (এস দি ও), লমশাংনা রেভিন্যু মিসেলিনস কেস নম্বর- ৯ ওফ ২০১৮গা মরী লৈননা জুলাই ১২, ২০১৮দা পীখিবা ওর্দর অমসুং হায়রিবা ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবা সব-দেপ্যুটি কল্লেক্টর (এস দি সী), লমশাংদা এস দি ও অসিনা জুলাই ২০, ২০১৮দা পীখিবা ওর্দর অদু ইল্লিগেল ওইবা অমসুং মতম অদুদা ষ্টেট প্লানিং বোর্দ, মণিপুরগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন ওইরম্বদগী হৌজিক্লা ফিশরিজ, এদ্যুকেসন অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর ওইরবা সোরোখাইবম রাজেননা ইরকখিবা য়ু ও নোট অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা জুরিসদিক্সনগী ৱাংমদা চথুখিবা থৌওংশিংনি। মরম অদুনা এস দি ও লমশাংনা থোকখিবা ওর্দর অমসুং ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবা এস দি সীদা পীখিবা ওর্দর অদু চৎনহনবীগনু হায়জরকখিবনি। হায়রিবা এস দি ও লমশাংগী ওর্দর অদু পিটিস্নর অসিগী মমিংদা লৈবা দাগ নম্বর- ১০৫/৩৪৭গী লম একর ১.১৬ অমসুং দাগ নম্বর- ১৪৫/৩৫১গী লম একর ১.৭০গা মরী লৈননি হায়রি।

পিটিস্নরনা মখা তানা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা এস দি ও লমশাংগী ওর্দর অসিগা মরী লৈনরিবা মহাক্কী মমিংদা লৈবা অঙনফৌ ক্লাসকী লৌফম অনী অসি ষ্টেটস ক্বোদা থম্নবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়বসিনি। পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা থা অসিগী ১৮দা অমুক হন্না লৌখৎলগা খন্নখি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট শ্যাম শর্ম্মদা মহাক্কী মায়কৈদগী কাউন্টর এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবা চয়োল অনীগী মতম পীখি। অদুগা পিটিস্নরনা কোর্টতা হায়জরকখিবগী মতুংইন্না লৌফম অনী অসি ষ্টেটস ক্বোদা থম্ননবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নর অসিগী মিংদা ভিলেজ নম্বর-১০৫ লমদেং খুনৌদা অতোপ্পা লৌফম অমসু লৈরিবনি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল সয়েদ মুর্তজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌখি।

# হায় কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা ফিশরি ওফিসরদা এপোইন্টমেন্ট পীদনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী ফিশরিজ লোয়শঙনা মসিগী ফিশরি ইন্সপেক্টর/ফিশরি ইন্সত্রক্টর/ফিশরি এক্সটেন্সন এসিষ্টেন্টশিংদগী ফিশরি ওফিসরগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা দিপার্টমেন্টেল প্রমোসন কম্মিটি (দি পি সী) অদুবু লোয়শঙ অসিগী ফিশরি ওফিসরদা প্রমোসন পীফম থোক্লবনি হায়রিবা মীওই অমনা চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কোর্ট অসিনা মসিগী অয়াবা য়াওদ্রবদি পাঙথোকখ্রিবা দি পি সী অদুগী রেকমেন্দেসনদা য়ুম্ফম ওইদুনা ফিশরি ওফিসরদা এপোইন্টমেন্ট অমত্তা পীদনবা খঙহনখ্রে।

সিভিল রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগী মমিংনা লবসন গোলমৈ (২৯) কৌই। নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খৌপুমগী দাইথাওলোং ভিলেজদগী অজিন গোলমৈগী মচানুপানি। মহাক্না পিটিসন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (ফিশরি) য়াওনা লোয়শঙ অসিগী মরী লৈনরিবা ওফিসল ৬কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী রিট পিটিসন (সিভিল) অসিগী নম্বর- ৪১ ওফ ২০২১নি। মেট্টর অসি থা অসিগী ১৮দা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম দেবানন্দ অমসুং রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ অমসুং ২গী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট কে ঐচ সুকুমার অমসুং রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩গী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল আর এস রৈসংগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি।

নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট পুম্নমক্তা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা নোটিশশিং অসিগী মনুংদা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৪, ৫ অমসুং ৬কীদি নুমীৎ মরিনিগী মনুংদা স্পিদ পোষ্টতা থাননবা দিরেক্সনসু কোর্টনা পীখি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা ফিশরি ইন্সপেক্টর/ফিশরি ইন্সত্রক্টর/ফিশরি এক্সটেন্সন এসিষ্টেন্টদগী ফিশরি ওফিসরদা প্রমোসন পীনবগী দি পি সী অদু দিসেম্বর ১৬, ২০২০দা পাঙথোকখিবনি হায়রি। ফিশরি ওফিসরগী ওইনা হাংলিবা পোষ্ট মশীংনা রিক্রুটমেন্ট রুলস, ১৯৯৬কী মতুংইন্না ৮নি হায়রি। মসিগী মনুংদা পোষ্ট মরিনা অন-রিজর্ভ কেটেগোরিগী ওইরগা লেমহৌরিবা মরিনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এস টি)গী ওইগদবনি হায়রি। অদুবু দি পি সী অদুনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী কোটাদা ফিশরি ওফিসরদা প্রমোসন পীনবগী ৱাফম খন্নরমদবগা লোয়ননা এস টি কোটাগী মখাদা প্রমোসন ফংফম থোক্লবা পিটিস্নর অসিবু নাথৈরম্লগা মরম অমত্তা পীরমদনা ভেকেন্ট এস টি কোটা হুন্দোক্লমখিবনি হায়রি।

পিটিস্নর মশামক ইনলেন্দ ফিশরি অমসুং এক্বাকলচর মেনেজমেন্টদা চহী ১গী পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিপ্লোমা পাস তৌরবা মীওইনি হায়রি। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১৬গী দিসেম্বর ১দা ফিশরি ইন্সপেক্টর ওইনা লোয়শঙ অসিদা এপোইন্টমেন্ট পীবদগী থবক তৌরকখিবনি। লোয়ননা ফিশরি ওফিসরগী পোষ্ট অসি লোয়শঙ অসিগী ফিশরি ইন্সপেক্টরদগী কারক্নদবা প্রমোসনল পোষ্ট অমসু ওইরিবনি। চহী ৩ ফিশরি ইন্সপেক্টর ওইরক্লবশিংনা ফিশরি ওফিসরগী পোষ্টতা প্রমোসন পীবা য়াই হায়বা ৱাফমসু লোয়শঙ অসিগী রুলদা লৈরিবনি হায়খি। কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফম তাবগা লোয়ননা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ অমসুং ২গী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট কে ঐচ সুকুমারনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী ইন্সত্রক্সনশিং লৌরক্লবগী মতম পীবীনবা কোর্টতা হায়জখি। মসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীবগা লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্লবগীদমক লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। অদুগা নুমীৎ অদু ফাওবদি পাঙথোকখ্রিবা দি পি সী অসিগী রেকমেন্দেসনগী মতুংইন্না ফিশরি ওফিসরগী রেঙ্কতা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমত্তা কোর্ট অসিগী অয়াবা য়াওদনা পীদনবা খঙহনখি।

# ‘রিবাসপু ফাজিনবীবা থোক্লবদি তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকউ’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস) : থৌবাল মোইজিংদগী চহী ৪দা ঙাইরিবা রিবাস কৌবা নুপামচা অমা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মফম খঙদনা মাঙখিবা অদু কনাগুম্বনা ফাজিনবীবা থোক্লবদি মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগী য়েংবীরগা তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়না থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা আপিল তৌরক্লি।

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট মিসিং ওফ রিবাস, থৌবাল মোইজিং লৈঙোইজিননা শীন্দুনা ঙসি মোইজিং মিনা বজারদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা জে এ সী অসিগী কো-কনভিনর এম দি অকবরনা হায়খি, হৌখিবা জন্যুৱারী ১৯গী নুংথিল পুং ১ অদুৱাইদা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মোইজিং লৈঙোইজিনদা লৈবা রিয়াস খানগী মচানুপা রিবাস হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। হায়রিবা নুপামচা অসি থিবা য়াবা থিরে। অদুবু ফংবা কৌবা লৈত্রে। অঙাং অসি মাঙখিবগী মওং মতৌ অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওইরি। থৌদোক অসি অঙাং ফাবশিংনা চথুরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরম অসিনা অঙাং অসিগী মরী-মখোং খঙদোক্ল বা অমদি ফংননবা থিবদা মণিপুর লৈঙাক, সী এস ওশিং অমদি মণিপুর মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা থৌবালগী এস পি, এস ইবোমচানা হায়খি, মাঙখ্রিবা অঙাং অসি ফংননবা হোৎনবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা অকনবা থবক পায়খৎলি। মীয়াম্নসু অঙাং অসি ফংননবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। কনাগুম্বনা অঙাং অসিবু ফাজিনবা থোক্লবদি মমা-মপাগী য়েংলগা তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকউ। মদু নত্তদুনা অঙাং অসিবু ফত্ত-নুংদা থোকহল্লবদি লোগী ওইবা চৈরাক ফংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পবনকুমারগী *নাইন হিলস ব্রান ভেল্লি* দা...

*লামায় ১গী মখা...* ত্রাইবেল অমনা ইম্ফাল সিটিদা লৈবা মহাক্কী মচানুপীনা দেল্লীদা থবক থিবা চৎত্রিঙৈ মাঙওইননা উনবা লাকখিবগী ৱারী অমনি। চীংদগী তমদা অহুমনা লাকপা মতমদা থেংনরকখিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং অমদি খুদোংচাদবা কয়া ফিল্ম অসিদা উৎলি।

স্পেসল মেন্সন এৱার্দ ফংলকখ্রবা ‘নাইল হিলস ব্রান ভেল্লি’গী মেকর হাওবম পবনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফিল্ম অসি মহাক্কী মরমদম মণিপুরদা নমখিবা ফিল্মনি। মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ফুরুপ মখল কয়ানা খুন্দাবা মফম্নি। মফম অসিদা খুন্দারিবা চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা হেক হেক উংখৎনবগী থৌওংশিং থোক্লি।

লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা নেসনেলিষ্ট মুভমেন্ট কয়া লাকখিবা অমদি ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেমশিং হেনগৎলকপদগী লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা চথুখিবা মীহাৎ-মীপূনশিংগী থৌওং ময়েক শেংনা ফিল্ম অসিদা উৎলি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লম, কলচর অমসুং আইদেন্টিটি অমদি উমংগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিংদা তোকখায় তানরকপগী ফিভম অমা অঙাং ওইরিঙৈদগী ফিল্ম মেকর পবনকুমারনা উদুনা লাক্লি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা থেংনরকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফিল্ম অসি পুথোকখিবনি হায়রি।

## প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ৱাই ইরাবোতকী...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরিবা পিটিস্নর অসিদা চথুখিবা ক্রোশ এগজামিনেসনগী থবক অদু ঙসি মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদবদগী কোর্টনা ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং পাঙথোক্লবগীদমক মেট্টর অসি থা অসিগী ২৯দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। নুমীৎ অদুদা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ অসিনা কোর্ট রুমদা চঙলকপদা অয়াবা পীননবসু কোর্টকী রেজিষ্ট্রিদা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েলগা মরী লৈননা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ ওইরিবা য়ুমখাম ইরাবোত (৮০)গী এগজামিনেসন থা অসিগী ১৮দা কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না পাঙথোকখ্রবনি। পি দব্লিয়ু অসিগী মায়কৈদগীসু এফিদেবিট ওইনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট সবমিট তৌরকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈনবনি হায়বা তোঙান-তোঙানবা দোক্যুমেন্ট ১৪সু সবমিট তৌরকপদগী কেস অসিগী এগজিবিটশিং ওইনা মার্ক তৌখ্রবনি। লোয়ননা পি দব্লিয়ু অসিগী ক্রোশ এগজামিনেসন তৌননবা থা অসিগী ২০দা মতম লেপখিবনি। অদুবু ক্রোশ এগজামিনেসনগী থবক অসি রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১গী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরেলনা মশামক কোর্টতা লাক্তুনা পাঙথোকপা পাম্মী হায়রকখিবগা লোয়ননা মসিগী মতম পীবীবগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। মসিদা কোর্টনসু অয়াবসু পীরদুনা ঙসি মেট্টর অসি লিষ্ট তৌরগা ক্রোশ এগজামিনেসনগী থবক অসি চথুবা হৌখিবনি।

## রিপব্লিক দে নুমীৎতা পুং ১২গী মণিপুর পুম্বা টোটেল...

*লামায় ১গী মখা...* খন্থবা ঙমদে। ৱাখল খুৎখন অসি য়াওল্লোয় অমগী অশেংবা লীচৎ নত্তে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসি ইন্দিয়াগী ময়োনলমদা আর এস এস/বি জে পিগী নিও-ফেসিজমগী ঈথক লাকখিবগা ঈরোয়ননা মথক্তা পঞ্জরিবা য়েক্লবগী মখোঙদা তুবনা খ্বাইদগী চুম্বা হেল্লে হায়না খনবা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী ইরমদম ৱেসিয়াদা হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কন্না শন্দোরক্লি। মসি কা হেন্না লাল্লবা ৱাখল্লোন অমনি। লৈবাক অমদা লিবরেল দিমোক্রেসিদগী কায়থরক্লগা ফেসিজম/নিও-ফেসিজমদা লাকপা হায়বসি লৈবাক অদু মপাঙ্গল কনখৎলকপা নত্তে, মসি লৈবাক অদু লৈখা তারকপগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। থৌওং অসি লৈরবদি লৈবাক অদুগী য়ুম্ফম অমসুং মনুংদা অরানবা (ইনজষ্টিস) কয়ামরুম লৈরে, অদুগা মখা তারকপদা লৈঙাকপশিংনা অরানবশিংদু চুমথোকপা ঙমদ্রে হায়বা তাকপনি। ৱাফম অসি মালেমগী পুৱারীনা উৎলিবনি। ফেসিজম হায়বসি নোং-নুংশিৎ কুম্না লৈবাক অদু নৈখায়দুনা মাঙ তাকহল্লন্নগা মালংদা মশক উদনা মথন্তা মাঙজখিগদবনি। ইন্দিয়াগী ময়োন-লমনা ঙসিগী নিও-ফেসিজম অসিদগী হেন্না পুন্সি নুংশাংবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং অসি মীয়াম্না নৈনবীগদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি শেমখিবা নুমীৎতগী হৌনা অরানবা য়ুম্ফমদা শাগৎখি। ঈং-তপ্পা, পিছ অমদি ইমু-নাইমু তানবদা, নন-ভাইওলেন্সকী ফিজোল শেৎতুনা পোক্লকখি। অদুগা হেক পোকপগা ওন্ন-তৈনবদা লম পাকথোকপগী হায়বদি এক্সপান্সনজিমগী লাঞ্জং চঙশিনবা হৌরকখি। মশা মনুংদনা লায়নানা পীক থনখি। কাষ্টইজম, কাষ্ট এক্সপ্লোইটেসন, ব্রহ্মনিজম, সেক্টেরিয়নিজম, রিজনেলিজম, রিজনেল দিস্পেরিটি, রেসিজম, জেন্দর দিস্ক্রিমিনেসন, লেন্দলোর্দইজম, কেপিটেলিজম, ক্রোনি কেপিটেলিজম, বোন্দেদ লেবর, ইনইক্বেলিটি, ফেবোরিটিজম, রেদ টেপ-ইজম, নেপোটিজম, রিলিজিয়স ফন্দামেন্টেলিজম, ওবসক্যুরেনটিজম, এন্টি-সাইন্টিজম, করপসন, মিসগভর্ণান্স, মিসকরিএজ ওফ জষ্টিস অসিনচিংবা লায়না ময়াম অসিনা য়োমখি। কুমজা ১৯৯০গী মতুংদা নিও-লিবরেল ইকনমিক রিফোর্মস লাকখ্রবা মতুংদা করপসনগী কেন্সরনা হান্নদগী হেন্না কন্না লান্দারকখি। অসিগুম্বা ফীভম অমদা নিও-ফেসিজম মঙক হাইগৎলকপদা ময়োনলম ইন্দিয়াগী মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকখিবা হায়বসি মশানা তাবনি।

ঙসি করপসনগী লায়নাদি হন্থবা লৈতে, কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম ওক্লবা হায়বদু থোক্লরে। করপসনগী শকওং হোংখ্রে; অরানবা তৌবা হায়বসি পাৱর পায়রিবা লৈঙাক্না পাৱর তান্নবগী অমসুং কুইনা পাৱর পায়নবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরে; শেঙ্গা-থুমজা, পাঙ্গল অমসুং নম্ফু অহুম অসিনা মীবু নমথনবগী খুৎলাইসু ওইরি। অহুম্মক লোয় মচা ঐখোয়বু নমথনবা অনৌবা খুৎলাই ওইরক্লে। মীদিয়াসু য়াচল লাকখ্রে; জুদিস্যরিনা পুংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাখ্রে; ওপোজিসনদি শামুনা তাল্লগা য়ারক্তা চেনশিনখ্রে, সী এস ওশিংগীনা য়াংলেন শরূ তেকখ্রে। অসুম্না খজিক্তং ফাওবা খঙদবা হায়বসি য়াম্না চাউবা অরানবনি। হকথেংননা অমদি খুৎ থোক্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবসু (এক্টিভ রেজিষ্টেন্স তৌদ্রবসু) নাকোয়ননা অমদি খুৎ থোক্তনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নদবনি (পেসিব রেজিষ্টেন্স তৌগদবনি)। ময়োনলম ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোনবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মখোয়গী ‘রিপব্লিক দে’, নুমীৎ অসিদা অসুকনা মণিপুর পুম্বদা অয়ুক পুং ৬তগী নুমীদাংৱাই পুং ৬ ফাওবা পুং ১২গী টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে। মীয়াম্না সটদাউন অসিবু তুংগী মীরোল কন্নবগীদমক তৌফদ্রবা ইথৌদাং অমনি খল্লগা শৌগৎপীয়ু। তঙাইফদনা থৌরম-থৌগাইশিং হায়বদি, লাইনিং-লাইশোল, দেব-কর্ম্ম, অনা-লায়েং অমদি অথু-অকায় খুদোংথিবা থোরকপগা মরী লৈনবা থবকশিংদি কোমথোক্লনি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা এল্লাইয়েন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক)কী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মিনিষ্টর লুখোইনা এগ্রিকলচরেল...

*লামায় ১গী মখা...* পোন্দ রিনোভেসন ৩৫, ইরিগেসন কেনেল ৪২ অমসুং চেক দাম/মাইক্রো ষ্টোরেজ ৩০ ইমপ্লিমেন্ট তৌরে। অথুবা মতমদা অহেনবা পম্প অমসুং স্প্রিঙ্কলর সেট ১০০০ হেন্না য়েন্থোক্লগনি। অতে দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎলিবা স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিংসু য়েংশিল্লগনি হায়না মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এগ্রিকলচর দিরেক্টর লালতানপুই ভানচোং অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## ডা. রাজোবু হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর...

*লামায় ১গী মখা...* নম্বর ৪ ওইরিবা ডা. কে রাজোবু থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ওইনা এনগেজমেন্ট তৌবা অসি ষ্টেট লৈঙাক্না কুমজা ২০০০গী এপ্রিল ২০ অমসুং কুমজা ২০১৭কী মে ১১দা লেপখিবা পোলিসী দিসিজনশিং অদুগী মায়োক্তানি। ষ্টেট লৈঙাক্না মমাঙদা লেপখিবা পোলিসী অদুগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট সর্ভিসশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা সর্ভিস এক্সটেন্সন নৎত্রগা রি-এপোইনমেন্ট তৌবদা কমপ্লিট বেন্দ থমখিবনি। মথক্তা থল্লিবা ৱাফমশিং অসিদা মীৎয়েং থল্লগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা ডা. রাজোবু মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ওইনা কন্ট্রেক্ট বেসিস এনগেজ তৌখিবা ওর্দর অসি ক্বাশ তৌরে। ডা. শ্যামসুন্দরবু হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবগী মতাংদা ওর্দর অসি ফংবা নুমীৎতগী পারগা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা চয়োল অনীগী মনুংদা খন্নগদবনি। পিটিস্নর অসি কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারীগী অরোইবা শরুক্তা থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌগদবা অসিগীসু য়েংলগা দিরেক্সন অসি পীবনি হায়নসু কোর্ট অসিনা লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ১০দা ফমখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ডা. কে রাজোবু থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টরগী চার্জ থা ৬ অমগসু পুহন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

## য়ু পি আর এফ এমনা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক...

*লামায় ১গী মখা...* সেলেব্রেসন তৌদুনা লাক্লি। অদুবু কংলৈপাক (মণিপুর)দি মশাগী ওইবা দেম্মোক্রেটিক গভর্ণমেন্ট অমগীদমক চীং-তমগী মীহুৎশিংনা পুনশিন্দুনা ‘দি মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭’ শেমখি অমদি মসিবু চৎনবা হৌদুনা এদল্ট ফ্রঞ্চাইজদা য়ুম্ফম ওইবা ইলেক্সন অমা ১৯৪৮কী জুন-জুলাইদা পাঙথোক্তুনা চীং-তমগী মীহুৎ ৫৩ খন্দুনা অহানবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীফম অমা কুমজা ১৯৪৮কী ওক্টোবর ১৮দগী ফম্বা হৌদুনা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না খঞ্জবা নেসনল এসেম্বলী লিংখি। অসুম্না কংলৈপাক (মণিপুর) কনাগীসু মখা পোন্দনা মশাগী দেম্মোক্রেটিক কনষ্টিট্যুসন অমসুং নেসনল লেজিসলেচর লৈজদুনা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইদুনা কংলৈপাক্কী কনষ্টিট্যুসন মপুং ফানা চৎনবা হৌখি। অদুবু মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা মোইথেম তৌদুনা কৌরবা মতুং হাউস এরেষ্ট তৈদুনা থল্লগা নম্ফুদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা খুৎয়েক লৌদুনা মশাগী কনষ্টিট্যুসন লৈদুনা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচরবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী হাউসকী অমদি মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা, মালেমগী কনভেন্সন কয়াবু খোঙ্গোয়নরম্লগা কংলৈপাক (মণিপুর) ইন্দিয়াদা তীনশিনহনখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী নম্ফুগী খোঙথাং অসি মতম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলীনা রেক্টিফাইদ তৌখিদবদা নত্তনা অদুগুম্বা এসেম্বলীগী কন্সেন্ট য়াওদনা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদু চৎনবা য়ারোই (দ্রোপ আউট তৌরে) হায়দুনা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২৮দা ফমখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মরিশুবা সিট্টিংগী অহুমশুবা সেসনদা ৱারেপ লৌখি। মসিগা মরী লৈনবা গেজেট ওর্দর অমা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৪দা থোকখি। মথংগী নুমীৎ কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর ইন্দিয়াদা মর্জ তৌরে হায়দুনা লাউথোরক্তুনা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা নম্ফুদা মৎপীখি। কংলৈপাক (মণিপুর)দি মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা মনিংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈখিবা মরম্না মশাগী নীংতম্ববু নম্ফুদা মৎপীখ্রবা, লোয়লমগী চৈনাখোল খাংলিবা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনবু চৎনবা হৌখিবা নুমীৎসিদা পাঙথোক্লিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনফম থোক্তে। ঙসিদি ইন্দিয়াগী মখুৎতা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা মাঙখ্রবা মতুংদগী ইন্দিয়াগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা শেমগৎখিবা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন অসিনা ৱেসিয়া লমদমগী ফুরুপচাশিংগী মফমশিংদদি শাথিনা তাইওন্নবা, শিংনবা অমা ওইহনদুনা মশাগী শক্তম, আইদেন্টিটি, কলচর, লমখৈশিং মাঙথরক্তুনা ৱেসিয়া লমদমসিগী ফুরুপচাশিং তপ্পা তপ্পা মুৎখিবা য়াবগী অরুবা ফীভম অমা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা হিংলুবদগী ওইরক্লি। মসিমক্তি ৱেসিয়া লমদমসিগী মীয়ামগা মপুং ওইবা ইন্দিয়াগী শক্তমগা পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদগী তোঙান তোঙানবা নেসনেলিজমগী কেরেক্টরদা লৈরকখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্দসু ইরৈচাশিংগী থোইদোকপা প্রোভিজনশিং য়াওখিদবা অমসুং ইন্দিয়াগী লোয়লম ওইনা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না ঙসি ঙসিমকসু হিংলুবদগীনি।

ইন্দিয়ানা দিমোক্রেসি অমদি রিপব্লিক্কী মায়খুম উপ্তুনা মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা উহন্ননবা ৱেসিয়া লমদমসিদা পাঙথোক্লিবা অসিগুম্লবা ইন্দিয়াগী সেলেব্রেসন, মখল মখা কয়াগী থৌরমশিংদগী ঐখোয়গী ইরৈচাশিংনা অপূনবা লীচিং অমগী মখাদা মমা লৈবাক অমদি মফুরুপপু নুংশিনবগী ইহুল অসিগা লোয়ননা চথরক্লিবা নীংতম লালহৌ অমদি মীয়ামগী পাৱর অসিবু ময়াই চমহন্ননবা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন ২০২১না লাকপসিদা কংলৈচাশিংগী মফমদদি মীখা পোনবা অমদি লোয়লমগী তমথিরবা মীওৎ-মীনৈ অসুম অসুম শাংথনা চথুদুনা লৈরক্লি হায়বা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকসি নত্তনা অতৈ করিসু ওইদবা মরম্না নুমীৎ অসিদা য়ু পি আর এফ এমনা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকপগা লোয়ননা রিপব্লিক দে থৌরম কংলৈপাক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে। মরম অসিনা মনিং তম্বা মৎপীখ্রবা হীরম খূদিংমক্তা নমথবীরবা লোয়লমগী তমথিরবা মীওৎ মীনৈ, অকি তুজুংবা কয়াগী চৈনা খাংলিবা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না অসিগুম্লবা ইন্দিয়াগী ৭২শুবা রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন ২০২১ অসিদা শরুক য়াফম থোক্তবনা মরম ওইদুনা নুমীৎ অসিদা য়ু পি আর এফ এমনা কংলৈপাক্কী মফম পুম্বদা কৌরিবা পুং ১৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মখল খুদিংমক্কী শিন্থা লেপ্পীদুনা য়ুম-য়ুমদা লৈবীদুনা থৌরম থৌশিলশিং অসিবু য়ানিংদবা উৎতুনা লেপ্পীনবা ৱাফম থমজরি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা লমদম অসিদা ইমর্জেন্সিগী হীরমশিংদা থবক তৌরিবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি ঈ-পাঔগী লমদা থবক তৌরিবশিংদদি কোনশিল্লোই হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এন আই টি মণিপুরদা অশাবা...

*লামায় ১গী মখা...* ওইনা চেন্নৈ হায়বসু খঙলে। মরম অদুনা মখোয় অনীবুসু কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎপা ঙম্নবগীদমক মহাকপু নুমীৎ ৬নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। পুলিসকী ৱাফম অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা এক্যুইজ আর কে অর্বিন্দবু ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৭ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ তৌখি।




HL-B/6661/01-30

**M/s H V S Construction Materials Pvt. Ltd.**
Patsoi Lamkhai N.C Road,Imphal west-795113
**টৈথ / JOB VACANCY**

| Sl.No | Name of the post | No of post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Driver | 15 | 5 to 8 years With a knowledge of Tipper BS/6 | Rs 10,000/- to Rs 15,000/- Per Month (Daily Allowance-Rs 200/- at work site Daily Meal-Rs 100/- at work site) |
| 2 | Mechanic (Excavator & Back Hoe) | 2 | 5 to 8 Years | Rs 10,000/- to Rs 15,000/- Per Month (Negotiable) |
| 3 | Mechanic Tipper | 2 | 5 to 8 Years | Rs 10,000/- to Rs 15,000/- Per Month (Negotiable) |
| 4 | Helper/Handymen | 20 | | Rs 6,000/- Per Month (Daily Allowance- Rs. 100 per day) |

*Required Document: 1) Valid Driving Licence (TRV)
2) Aadhar Card with 2 Passport Photo.

Sd/- **Huidrom Vikramjit Singh**
Managing Director
Contact No: 7005625348, 8415921841

HL-P/8648/22, 23, 24